# রেলৱেজনা কোভিদ থেংনবদা লেপ্পুনা মতেং পাংলি ওক্সিজেন প্লান্ট ৮৬ লিংখৎলগনি

ন্যু দেল্লী, মে ১৮ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থেংনবদা মতেং ওইনবা রেলৱেজনা মসিগী হোস্পিটালশিংগীদমক ওক্সিজেন প্লান্ট ৮৬ লিংখৎনবা থৌরাং তৌরি অমসুং মসিনা কোভিদ পেসেন্টশিংগী বেদ ২,৫৩৯ দগী ৬,৯৭২ হেনগৎহল্লে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইন্দিয়ন রেলৱেজনা ফোঙদোকখ্রে।

রেলৱে মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন দি জে নরাইননা হায়, কোভিদ-১৯ থেংনবদা নেসনল ট্রান্সপোর্টর অসিনা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাং খূদিংমক লৌখৎলি। রেলৱেজনা নাকল অমদা ওক্সিজেন পুবা ওক্সিজেন এক্সপ্রেস ট্রেনশিং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পুরি; অমরোমদনা, পেসেঞ্জর অমসুং পোৎ-চৈশিংসু লেপ্পুনা হোল্লি।



হায়রিবশিংসিগী মথক্তা রেলৱেজনা ইন-হাউস মেদিকেল ফেসিলিটিশিং শেমগৎতুনা অনাবশিং লায়েংলি, হৌজিক লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা রেলৱে হোস্পিটাল ৮৬ কেপাসিটি হেনগৎহনবগী থবক পায়খৎলি।

নরাইননা মখা তানা হায়, রেলৱেজ হোস্পিটালশিংদা ওক্সিজেন প্লান্ট মরি মথৌ তৌরে। প্লান্ট ৫২ সেঙ্কসন তৌবগা লোয়ননা প্লান্ট ৩০ হৌজিক প্রোসেসিংগী তোঙান তোঙানবা তাঙ্কক্তা লৈ। অথুবা মতমদা রেলৱেগী কোভিদ হোস্পিটাল খূদিংমক ওক্সিজেন প্লান্টশিং হাপ্লগনি।

রেলৱে জোনশিংগী জেনরেল মেনেজরশিং মখা তানা পাৱর শিন্নবগা লোয়ননা ওক্সিজেন জেনরেসন প্লান্টশিংগা মরী লৈননা মখোয়দা লুপা ক্রোর অনী অনীসু শীজিন্নবা য়াহল্লে।

রেলৱেজনা থৌরাং কয়া পরিং নাইনা পায়খৎলক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। কোভিদ লায়েংগী বেদ মশিং ২,৫৩৯দগযী ৬,৯৭২ দা হেনগৎহল্লে। কোভিদ হোস্পিটাল-শিংগী আই সী য়ু বেদশিংসু ২৭৩দগী ৫৭৩দা হেনগৎহল্লে। হোস্পিটালশিংদা ইনভেসিভ ভেন্টিলেটরশিং হাপচিনবগা লোয়ননা মখোয়গী মশিং ৬২দগী ২৯৬তা হেনগৎহল্লে।

বাইপাস মেছিন, ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর, ওক্সিজেন সিলিন্দরনচিংবা অনা-লায়েংগী ক্রিটিকেল ইক্বিপমেন্ট হাপচিন্নবা হোৎনরি হায়না নরাইননা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াদা দোক্টর ২৬৯ কোভিদ-১৯ নাবদগী লৈখিদ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১৮ (এজেন্সী):

কোরোনাভাইরস পেন্দমিক মনুংসিদা দোক্টরশিংনা মশাগী থৱায় ফাওবা পাম্মুদমখৈ মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ অসিদা মীয়ামগী থৱায় কন্নবা হোৎনরিবা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী দোক্টর ২৬৯ পুন্সি লোমখ্রে। পদ্ম শ্রী এৱার্দী অমসুং ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ)গী হান্নগী নেসনল প্রসিদেন্ট কেক অগরৱাল কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ন্যু দেল্লীগী ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)তা লৈখিদ্রে।

আই এম এগী মতুং ইন্না, কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী অনীশুবা ৱেভ মনুংদা পূন্না লৈবাক অসিগী দোক্টর ২৬৯ লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা দোক্টরশিং মসিগী মনুংদা অয়াম্বা চহী ৩০ অমসুং ৫৫ মরক্কী মীওইশিংনি।

আই এম এগী দেটা মতুং ইন্না, কোরোনাভাইরস ইনফেক্সননা মরম ওইদুনা দোক্টর মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিবা ষ্টেটতি বিহারনি। হৌজিক ফাওবদা পূন্না বিহারগী দোক্টর ৭৮ লায়না অসি লায়েংবদা মশাদুসু ইনফেক্সন লাক্তুনা লৈখিদ্রে।

## ভেক্সিনেসন মওং মরিল তাহন্নবা থাখায়গী সেদ্যুল অমা খন্নরি: পি এম

ন্যু দেল্লী, মে ১৮ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন ৱাংবা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৪৬কী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট (দি এম) শিংগা ওইনা ইন্টরেক্সন তৌনরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি ভেক্সিনেসনগী দ্রাইভ হেন্না মওং-মরিল তাহন্নবা অমসুং ৱেষ্টেজ লৈহন্দনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ভেক্সিন সপ্লায়গী মতাংদা থাখায়গী সেদ্যুল অমা খন্নরি।



ষ্টেট নিপালগী দি এমশিং অমসুং ষ্টেটশিং অসিগী চীফ মিনিষ্টরগা ভিদিও কনফরেন্সকী খূথাংদা ইন্টরেক্ট তৌখিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা মখোয়দা হায়খি, ভেক্সিনেসনগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা এরেঞ্জমেন্ট অমসুং প্রোসিজরশিং লেপ্পুনা শেমদোক্লি। মথং রাউন্দগী ইন্টরেক্সন মে ২০দা ষ্টেট ১০গী দিষ্ট্রিক্ট ৫৪গী দিষ্টিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংগা চৎথগনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা কোরোনাভাইরস ভেক্সিন সপ্লায় হেনগৎহন্নবা লেপ্পুনা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

মোদিনা মখা তানা হায়, ভেক্সিন কাপ্পা হায়বসি কোভিদ-১৯ থেংনবগী য়াম্না মরু ওইবা পাম্বৈ অমনি। মরম অদুনা ভেক্সিনগী মতাংদা লৈরিবা অরানবা ৱাফম খূদিংমক মাঙহন্নবা ঐখোয় খূদিংমক্না পূন্না হোৎনমিন্নগদবনি।

কোভিদ ইনফেক্সন লাকশিন্নবা ঐখোয়দা মরু ওইবা খূৎলায় অহুম লৈ হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, লোকেল কন্টেনমেন্ট জোনশিং শেম্বা, টেষ্ট কন্না তৌবা অমসুং হোস্পিটালগী বেদকুম্বা মেদিকেল রিছোর্সশিংগী মতাংদা লোকেল মীওইশিংদা অচুম্বা ইনফোর্মেসন পীবা অহুম অসি ইনফেক্সন থেংনবদা য়াম্না মরু ওই।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হীদাক লাংথক অমসুং ইক্বিপমেন্ট ব্লেক মার্কেটিং তৌবশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎপা মথৌ তাই হায়নসু পনখি।

ইনফেক্সন লাকশিনবা ঙম্লবা মফমশিংদগী খঙজিনবা অমসুং তম্বা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। রুরেল এরিয়াশিংদা লায়না অসিনা শন্দোরক্লি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, ইনফেক্সন লাকশিন্নবা হোৎনবদা ঐখোয়না রুরেল এরিয়াশিংদসু মীৎয়েং থমগদবনি।

## টি এম সীগী লুচিংবা হোস্পিটালদা এদমিট তৌখ্রে

কোলাকটা, মে ১৮ (এজেন্সী):

নারাদা ষ্টিং কেসকা মরী লৈননা সী বি আইনা ফাখিবা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম এল এ মদন মিত্রা অমসুং পার্টি অসিগী হান্নগী লীদর সোভান চেট্রর্জি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা কোলকটাদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখ্রে।

মখোয় করেকসনেল হোম অমদা লৈরিঙৈদা হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী হোস্পিটালদা এদমিট তৌখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা ওফিসল অমনা হায়, পোলিটিসন অনীমক শ্বর হোনবা ৱারকপদগী গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা এস এস কে এম হোস্পিটালদা পুখৎখি।

নারাদা ষ্টিং কেসকা মরী লৈননা সী বি আইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিনিয়র মিনিষ্টর অনী- ফিরহাদ হকিম অমসুং সুব্রাতা মুখর্জিসু পিক-অপ তৌখি অমসুং মীওই মরিমক নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা কোলকতাগী প্রসিদেন্সি করেক্সনেল হোমদা পুখি।

চেট্রর্জি অমসুং মিত্রা নোঙাল্লমদাই পূং ৩ লোম তাবদা শ্বর হোনবা ৱারে হায়না কমপ্লেন তৌরকখি অমসুং মখোয় হোস্পিটাল অদুদা পুখৎখি। মখোয় অনীমক এস এস কে এম হোস্পিটালগী ৱুদবর্ন ৱার্দতা ওক্সিজেন সপোর্ট পীরগা থমখি। মখোয় হৌজিক খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈত্রে হায়না মেদিকেল ফেসিলিটি অসিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। মসিগী মমাঙদাসু মশা নুংঙাইরক্তবদগী মুখর্জিসু হোস্পিটাল অসিদা পুখৎতুনা চেক অপ তৌহনখি।

## য়ু পি গভর্ণমেন্টনা কোভিদনা শিহনখিবশিংগী অশেংবা মশিং লোৎশিল্লে: কোংগ্রেস

ন্যু দেল্লী, মে ১৮ (এজেন্সী):

কোংগ্রেসনা য়োগি অদিত্যনাথনা লুচিংবা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টপু ষ্টেট অসিগী কোভিদনা শিহনবশিংগী অশেংবা মশিং লোৎশিল্লি হায়না মরাল শীখ্রে অমসুং মীয়ামদা হেল্থ ক্যের ফেসিলিটি মতিক চানা ফংহনবা ঙমদ্রিবসি গভর্ণমেন্ট অসি মখা তানা পৱার পায়দুনা লৈবদা মতিক চাদ্রে হায়খ্রে।

কোংগ্রেসনা য়ু পি গভর্ণমেন্টপু অসুম্না মরাল শীরিবসি পার্টি অসিনা গুজরাত গভর্ণমেন্টপু কোভিদকী মীশিংশিংগী অশেংবা মমিং লোৎশিল্লি হায়না মরাল শীখিবা মতুং নুমিৎ নীনি শুবদনি।

ন্যু দেল্লীদা ভার্চ্যুএল প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কোংগ্রেসকী স্পোক্সপর্সন সুপ্রিয়া শ্রিনেটনা হায়, গভর্ণমেন্টকী ওফিসল রেকোর্দ মতুং ইন্না, লক্ষ্ণৌদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদনা মরম ওইদুনা মীওই ২,২৬৮ শিখ্রে। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা থা অহুম অসিদা দেথ সর্টিফিকেট ১৩,০০০ ইস্যু তৌখি।

চহী অসিগী এপ্রিল ১দগী ১৫ ফাওবা হয়বদি নুমিৎ ৪৫ নিগী মনুংদা দেথ সর্টিফিকেট ৭,৮৯০ ইস্যু তৌখি অমসুং ফেব্রুৱারি ১৫দগী মার্চ ৩১ ফাওবদা দেথ সর্টিফিকেট ৫,৯৭০ ইস্যু তৌখি।

উত্তর প্রদেশকী হৌজিক লৈরিবা কোভিদকী ফিভম অৱাবগী মশক্তি হায়না ষ্টেট এসেমব্লিগী কোংগ্রেস লেজিসলেটর পার্টি (সী এল পি) লীদর অরাধানা মিশ্রানা ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টপু চৈরদুনা মহাক্না হায়, গভর্ণমেন্ট অসিনা ফেক্ট হায়বসি য়াদে, ইভিদেন্স মাঙহল্লি অমসুং দেটা মেনিপ্যুলেসন তৌই। পেন্দমিক্কী ক্রাইসিস অসিদা তৌফম থোকপশিং তৌবগী মহুত্তা গভর্ণমেন্ট অসিনা অরানবা থৌওংশিং চৎথদুনা লৈরি।

দেথ সর্টিফিকেটশিং ইস্যু তৌনবা গভর্ণমেন্টনা করিগীদমক চীফ মেদিকেল ওফিসরদা ওথোরাইজ তৌরিবনো হায়না কোংগ্রেসকী লুচিংবী অসিনা হংখি।

মহাক্না হায়, দেথ সর্টিফিকেটশিং মতম চুপ্পদা নগর নিগম (ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন)না পীদুনা লাক্লি। মরম অদুনা, মসি গভর্ণমেন্টনা থাঙ্গৈশেংবা অশিবা মশিং লোৎশিন্নবা হোৎনরকপা অমনি। করিগুম্ববা গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা অফবা হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিং ফংহনবা ঙমদ্রবসু য়ামদ্রবদা অশিবশিং পোলোইবগী থৌরাং শীল-লাংবীফম থোকই।

গভর্ণমেন্ট অসি মপূং ফানা ফেল ওইরে, মরু ওইনা লক্ষ্ণৌদা মীয়ামদা মেদিকেল ক্যের মতিক চানা ফংহনবা ঙমদ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## জেল ইনমেটশিং নুমিৎ ৯০নিগী ইন্টরিম বেলদা থাদোক্নবা জে এন্দ কে হায় কোর্টনা ৱারেপ লৌখ্রে

শ্রীনগর, মে ১৮ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মির হায় কোর্টনা য়ুনিয়ন টেরিটরি অসিগী জেল ইনমেটশিং নুমিৎ ৯০নিগী ইন্টরিম বেলদা থাদোক্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। ৱারেপ অসি সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্সন মতুং ইন্না লৌখিবনি।

ওফিসল স্পোক্সমেন অমনা হায়, এপেক্স কোর্টনা হৌখিবা মার্চতা পীখিবা দিরেক্সন মতুং ইন্না জষ্টিস অলি মোহম্মদ মাগ্রেনা লুচিংবা হায় পৱার্দ কম্মিটি অমনা জেল ইনমেটশিং থাদোকপগী ৱারেপ অদু লৌখিবনি।




সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্সন মতুং ইন্না থাদোকপা য়াবা কনভিক্টশিং অমসুং অন্দর ত্রাইএলশিংগী কেটোগোরি খঙদোক্নবা জষ্টিস মাগ্রেনা জে এন্দ কে লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (জে কে এল এম এ)দা কম্মিটিগী অতৈ মেম্বর অনীগা কোওর্দিনেট তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

এক্সরসাইজ অসি মপূং ফানা লোইশিল্লবা মতুংদা কম্মিটি অমদা রিপোর্ট অমা সবমিট তৌগনি। হেল্থ দিপার্টমেন্টকা কোওর্দিনেট তৌদুনা ইনমেটশিং অমসুং জেল ষ্টাফ ভেক্সিন কাপথোক্নবসু জষ্টিস মাগ্রেনা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) প্রিজন্সতা দিরেক্সন পীখি। মসিদা নত্তনা কম্মিটিনা জেল ওথোরিটিশিংদা তোয়না চঙনবা কিচন, বাথরুমনচিংবশিং হাইজিনিক ওইহন্নবা অমসুং ইনমেটশিং অমসুং ষ্টাফরশিংবু মাস্ক উপহনবগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকহন্নবসু খঙহনখি। জষ্টিস মাগ্রেনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী লিগেল সর্ভিস ইন্সটিট্যুসন-শিংদা কষ্টদিদগী থাদোকপা য়ারবা ইনমেটশিংদা পেনেল উকিলশিংগী সর্ভিস ফংহন্নবা অমসুং মখোয়গী মহুৎ শিন্দুনা এপ্লিকেসনশিং ফাইল তৌহন্নবসু খঙহনখি।

কম্মিটিনা প্রিজনরশিং পেরোল নৎত্রগা ইন্টরিম বেল ওর্দরদা থাদোক্নবা অমসুং মদুগীদমক্তা দি জি পি অমসুং জে কে এল এস এনা অকক্নবা মতমগী মনুংদা মোদেলিটিশিং পুথোক্নবা হায়খি।

কোভিদ ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোটোকোল (এস ও পি) চেকশিন্না ঙাক্নবা জেল কমপ্লেক্স মনুংদা অহেনবা নৎত্রগা টেম্পররি এক্কম্মোদেসন লাংনবগী সজেসন পীখ্রে হায়না কম্মিটিগী স্পোক্সমেননা ফোঙদোকখি।

## ভেন্টিলেটর কয়া অশোয়বা য়াওরম্লে

মুম্বাই, মে ১৮ (এজেন্সী):

গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল (জি এম সী ঐচ) ঔরঙ্গবাদকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, পি এম ক্যের্স ফন্দগী মখাদা পীরিবা ভেন্টিলেটর কয়া অশায়বা য়াওই হায়রি।

সেন্টরনা পীখিবা ভেন্টিলেটর খূদিংমক্কী ওদিট অমা পাঙথোক্নবা সেন্টরনা ওর্দর তৌখিবা মতুং নুমিৎ হুম্নি ফাদ্রিঙৈদা রিপোর্ট অদু লাকপনি।

হীরম অসিগী অকূপ্পশিং পল্লদুনা কোংগ্রেসকী ষ্টেট স্পোক্সপর্সন সচিন সৱান্টনা হায়, জি এম সী ঐচকী লামায় অহুম পানবা রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, পি এম ক্যের্স ফন্দ (পি এম সী এফ)কী মখাদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগীদমক্তা ভেন্টিলেটর ১৫০ ষ্টেট অসিদা পীখি। ভেন্টিলেটরশিংদুগী মনুংদা ধামান থ্রি মোদেল ১০০ এপ্রিল ১২দা জ্যোতি সী এন সীনা সপ্লায় তৌখিবনি।

ইন্সটোলেসন তৌদুনা টেষ্ট তৌবদা ভেন্টিলেটর খরদি ফিভম লুরবা কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংবদা শীজিন্নবা য়ারোইদবগী ফিভম লৈরমখি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕ / অৱাবা ফোঙদোকচবা



Porompat Thawanthaba Leikai দা লৈবা Shree Vivekraj Wangkhem (Ex-Minister Kshetrigao A/C) না ইখঙ খঙহৌদনা হৌখিবা মেগী তাং ১৭ ইং ২০২১গী নুংথিল পুং ২.৪০ চৎপা মতমদা মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং অমদি ঐখোয় খ্বাই পুন্নমকপু থাদোক্লম্লগা তাইবঙ শেম্বীবা মপূগী মফমদা চঙজখ্রে। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা লৈকাই অসিগী তৌবীরম্বা থবক থৌরম কয়াবু ইকাই খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈবা ওইরসনু হায়দুনা Porompat Thawanthaba Women's Association গী Executive Member শিংনা SOP ঙাক্তুনা মিনট ১ (অমা) তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা Women's Association না শরুক য়াজরি।

Sd/- **Porompat Thawanthaba Women's Association**

HL-P/9760/19 Porompat Thawanthaba Leikai, Imphal East

## খৃষ্টিয়ানশিংসু অশিবা হকচাং পোলোইবা হৌরে

লক্ষ্ণৌ, মে ১৮ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিগী খৃষ্টিয়ন কম্ম্যুনিটিগী মীওই কয়ানা অশিবা হকচাংশিং মৈ থাদুনা পোলোইবা হিন্দুশিংগী চৎনবী অসি ইন্নবা হৌরক্লে মখোয়না হকচাং মৈ থাবগী উৎ লৌদুনা মদুবু মোংফমদা লৈরোল চল্লি।

পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভতা মী শিবা লেপ্পুনা হেনগৎলকপদগী মহৌশাগুম্না মোংফমদা লৈরোল চন্নবগী মফম লৈশিল্লক্ত্রে। ফিভম অসিনা খৃষ্টিয়ান কম্ম্যুনিটিগী মীওইশিংনা অশিবা হকচাংশিং পোলোইরগা উৎ লৌদুনা ফুম্নরক্লি। মসিনা স্পেস কলহন্দে অমসুং কোভিদ ইনফেক্সন শন্দোকহন্দে হায়না অমরদীপ সোলোমোন কৌবা খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপা মীওই অমনা ফোঙদোরকখি। হৌখিবা চয়োলদা মহাক্কী ময়াম্বা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিখি। মহাক্কী ইমুংনা অশিবা হকচাংদু পোলোইখি অমসুং উৎ লৌরগা লৈরোল চনখি।

উত্তর প্রদেশকী বারানসিগী চৌকাঘাটতা লৈবা খৃষ্টিয়ান মোংফমদা য়ামদ্রবদা অশিবা হকচাং তরুক পোলোইরগা মখোয়গী উৎশিং লৌরগা লৈরোল চনখ্রে।

বনারাস খৃষ্টিয়ান সিমিত্রি বোর্দকী সেক্রেটরি ফাদর বিজয় শান্তিরাজনা হায়, বরানসিগী খৃষ্টিয়ান সিমিত্রি অসিগী মীওই অমা নৎত্রগা অনী শি। তৌইগুম্বসুং কোভিদ কেসশিং হেনগৎলকপদগী হৌখিবা নুমিৎ ৪৫ অসিদা মীওই ৩০ হেন্না লৈখিদ্রে। খৃষ্টিয়ান কম্ম্যুনিটিগী মীওই অমা শিবা মতমদা য়ুমদা লাইশোল পাঙথোকই অমসুং হকচাং অদু লৈরোল চন্দ্রিঙৈ মমাঙদা কূদা হাপ্লগা থমদুনা চর্চতা লাইশোন পাঙথোকই। অদুম ওইনমক হৌজিক্তি চেকশিন থৌরাং ওইনা অশিবা হকচাং শোক্ল-শম্নবদা মী মশিং য়ামহন্দ্রে। মসিনা শন্দোকপা থিংবদা মতেং ওই। খৃষ্টিয়ানশিংনা অশিবশিং পোলোইবা অমসুং উৎ লৌরগা লৈরোল চনবসি মসিনা অহানবনি হায়না ফাদর শান্তিরাজনা ফোঙদোকখি।

ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕ / অৱাবা ফোঙদোকচবা



Porompat Thawanthaba Leikai, Imphal East তা লৈবা Shree Vivekraj Wangkhem (Ex-Minister Kshetrigao A/C) না ইখঙ খঙহৌদনা হৌখিবা মেগী তাং ১৭ ইং ২০২১গী নুংথিল পুং ২.৪০ চৎপা মতমদা মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং অমদি ঐখোয় খ্বাই পুন্নমকপু থাদোক্লম্লগা তাইবঙ শেম্বীবা মপূগী মফমদা চঙজখ্রে। মহাক্না লৈরিঙৈ মতমদা এসোসিএসন অমদি লৈকাই অসিগী তৌবীরম্বা থবক থৌরম কয়াবু ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈবা ওইরসনু হায়না থৌনীজদুনা Unemployed Youth Learner's Association গী Executive Member শিংনা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারদুনা SOP ঙাকপগা লোয়ননা মিনট ১ (অমা) তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

Sd/- **Unemployed Youth Learner's Association,**

HL-P/9761/19 Porompat Thawanthaba Leikai, Imphal East

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 54,10,000+26,616 | 48,70,000+48,211 | 82,486+1,000 |
| Karnataka | 22,40,000+38,603 | 16,20,000+34,635 | 22,313+476 |
| Kerala | 21,70,000+21,402 | 18,00,000+99,651 | 6,515+87 |
| Tamil Nadu | 16,30,000+33,075 | 13,80,000+20,486 | 18,005+335 |
| Uttar Pradesh | 16,30,000+9,345 | 14,60,000+23,045 | 17,817+271 |
| Andhra Pradesh | 14,50,000+18,561 | 12,30,000+17,334 | 9,481+109 |
| Delhi | 14,00,000+4,524 | 13,20,000+10,918 | 21,846+340 |
| West Bengal | 11,50,000+19,003 | 10,10,000+19,101 | 13,431+147 |
| Chhattisgarh | 9,19,000+6,577 | 8,11,000+13,865 | 11,883+149 |
| Rajasthan | 8,71,000+11,597 | 6,88,000+29,459 | 6,934+157 |
| Gujarat | 7,60,000+7,135 | 6,51,000+12,342 | 9,202+81 |
| Madhya Pradesh | 7,37,000+5,921 | 6,41,000+11,513 | 7,069+77 |
| Haryana | 7,02,000+7,488 | 6,12,000+14,279 | 6,799+114 |
| Bihar | 6,58,000+5,920 | 5,84,000+11,216 | 3,928+96 |
| Odisha | 6,23,000+10,757 | 5,26,000+11,821 | 2,335+22 |
| Telangana | 5,33,000+3,961 | 4,80,000+5,559 | 2,985+30 |
| Punjab | 5,05,000+6,881 | 4,19,000+8,552 | 12,086+191 |
| Assam | 3,35,000+6,394 | 2,86,000+4,737 | 2,271+92 |
| Jharkhand | 3,18,000+2,507 | 2,80,000+5,463 | 4,539+60 |
| Uttarakhand | 2,91,000+3,719 | 2,07,000+3,690 | 5,034+223 |
| Jammu and Kashmir | 2,48,000+3,344 | 1,94,000+4,042 | 3,222+73 |
| Himachal Pradesh | 1,64,000+3,546 | 1,25,000+3,764 | 2,382+58 |
| Goa | 1,37,000+1,562 | 1,10,000+4,008 | 2,152+53 |
| Puducherry | 85,952+1,446 | 67,390+1,701 | 1,179+28 |
| Chandigarh | 55,987+620 | 47,964+876 | 641+6 |
| Chandigarh | 55,987+620 | 47,964+876 | 641+6 |
| Tripura | 41,897+746 | 36,085+269 | 445+4 |
| Manipur | 40,059+330 | 33,129+455 | 592+14 |
| Meghalaya | 23,966+634 | 18,715+237 | 336+16 |
| Arunachal Pradesh | 22,106+304 | 19,675+214 | 85+4 |
| Nagaland | 18,349+273 | 13,880+113 | 216+7 |
| Ladakh | 16,582+130 | 14,875+134 | 165 |
| Sikkim | 11,480+70 | 8,333+224 | 210+5 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 9,599+49 | 8,845+100 | 4 |
| Mizoram | 9,068+239 | 6,932+245 | 28+3 |
| Andaman and Nicobar Islands | 6,638+35 | 6,329+46 | 89+1 |
| Lakshadweep | 4,986+219 | 3,764+131 | 14 |

**GOVERNMENT OF MANIPUR**

**MANIPUR BUILDING AND OTHER CONSTRUCTION WORKERS WELAFRE BOARD**

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTIFICATION**

Imphal, the 18th of May, 2021

**No. MBCWB/RP-1/2020:** It is hereby informed to all the registered Building and Other Construction Workers having valid Labour Card that, the Manipur Building and Other Construction Workers Welfare Board has decided to provide Financial Assistance for an amount of Rs. 1000/- per Labour Card holder.

2. All eligible Labour Card holders may apply for the assistance online at www.manipurbcwb.in– log into COVID Assistance Scheme – Apply Now,on or before 28-05-2021.

3. The Financial Assistance will be credited directly to the Bank account of the Beneficiary/Labour Card holder.

4. The following are mandatory documents required for online application:

    i. Labour Card /Labour Card No.
    ii. Latest membership Renewal receipt.
    iii. Aaadhar Card
    iv. Bank Passbook
    v. Account Holder s Name
    vi. Account No. and IFSC

5. For General queries please contact:8787858091, 8794518061 & 9857512388 and for Technical queries, please contact: 9077172443 &7005066500.

**Sd/- Dr. Yumanm Suraj Singh**
Secretary
Manipur Building and Other
Construction Workers Welfare Board

HL-B/6973/19

**OFFICE OF THE**
**JOHNSTONE HR. SEC. SCHOOL 1964**
**MATRIC BATCH WELFARE ASSOCIATION**
**(Regd. No. 2671 of 1992-93)**

ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ / অৱাবা ফোঙদোকপা



চৎলিবা থা অসিগী তাং ১৬, কালেনগী ৪নি পানবা, নোংমাইজিং নুমীৎতা থাংমৈবন্দ হিজম লৈকাইদা লৈবা ঐখোয়গী মরুপ- শগোলশেম ইবোচৌবা সিংহনা লৈখিদবদা Alumni Association অসিনা "অৱাবা ফোঙদোকপা" মীটিং অমা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট কাংজম ইবোহল সিংহনা সভাপতি ওইদুনা online গী খূথাংদা পাঙথোকখি।

Alumni Association অসিবু হিংনবা হোৎনবদা মরুপনা লৌরম্বা চাওরবা থৌদাং কয়াবু নৌহৌনা নীংশিংনখি অমসুং মরুপকী থৱায়না ঈশ্বরগী খূয়াদা ঈংনা-তক্না লৈহনবীনবা মপূদা থৌনীজখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু এসোসিএসন অসিনা শরুক য়াজরি।

Sd/- **Th. Nabadwip Singh,**
General Secretary
JHSS 1994 MBWA

HL-P/9757/19,20